মহারাষ্ট্রগী এম এল এ ২৮৩ ৱাশক লৌখ্রে, সিব সেনাগী উধব থাকরেনা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাশক ঙসি লৌরগনি

মুম্বাই, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সি): থা অমা হেন্না মহারাষ্ট্র ষ্টেটকী এসেমব্লী মীখল লোইখ্রবা মতুং লৈঙাক শেম্বা ঙমদনা লাকখিবা ইরাং অদু লোইশিল্লকখিবগা লোয়ননা ঙসি মুম্বাইদা লৈবা মহারাষ্ট্র ষ্টেটকী বিধান ভবনদা মায় পাক্লকখিবা এম এল এ ২৮৮গী মনুংদা ২৮৩ ৱাশক লৌখ্রে। লোয়ননা সিব সেনাগী লুচিংবা উধব থাকরেনা ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইবগী ৱাশক অদুনা হয়েং লৌরগনি।

মহারাষ্ট্র এসেমব্লীগী প্রো-টেম স্পিকর কালিদাস এন কোম্বকরনা ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং ৮ তাবা মতমদা এম এল এ ২৮৩বু ষ্টেট অদুগী লেজিসলেটিব এসেমব্লীদা মেম্বর ওইরে হায়বগী ৱাশক অদু লৌহনখি। বিধান ভবন অদুগী চঙফমদা নেস্নেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগী মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট সুপ্রিয়া সুলে, সিব সেনাগী লুচিংবা অদিত্যা থাকরে অমসুং কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা কয়ানা এম এল এশিং অদুবু তরাম্না ওকখি।

এন সি পিগী লুচিংবা সরত পৱারগী মচিন মনাও থোকপা অমদি হান্না ষ্টেট অদুগী দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ওইরম্লবা অজিত পৱারনা বিধান ভবন চঙলকপদা এন সি পিগী এম পি ওইরিবী সুপ্রিয়া সুলেদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপগী ৱাফমশিং থমখি। মমাঙ লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বি জে পিগী দেবেন্দ্র ফদনবিসসু বিধান ভবন য়ৌরকপদা সুপ্রিয়ানা তরাম্না ওকখি।

মহারাষ্ট্র ষ্টেট এসেমব্লীদা লৈরিবা সিট মশিং ২৮৮গী মনুংদা বি জে পিনা সিট মশিং ১০৫ ফংদুনা খ্বাইদগী মশিং য়াম্বা পোলিটিকেল পার্টি ওইখিবনি। মদুগী মতুংদা ষ্টেট অদুদা চহী ৩০ হেন্না পার্টি অদুগা চুংশিন্নদুনা লাকখিবা সিব সেনাগী মায়কৈদগী সিট মশিং ৫৬ ফংখি। অদুগা নেস্নেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিনা সিট মশিং ৫৪ ফংলবা মতুং কোংগ্রেসনা ৪৪ ফংখি।

ষ্টেট লৈঙাক শেম্নবা এম এল এ মশিং ১৪৫ অদু সিঙ্গল পার্টি অমত্তনা ফংখিদবদগী মমাঙদা চুংশিন্নদুনা লাকখিবা বি জে পি অমসুং সিবা সেনানা পুনশিল্লগা লৈবাক শেম্বগী পোরম লৈরম্বা অদুদা সিব সেনানা হন্দক্কী মতাং অসিদা চীফ মিনিষ্টরগী ফম অদু পার্টি অদুগী মীওই অমনা পায়হনগদবনি হায়বগী ৱাফম বি জে পিনা য়ারক্তবদগী চুংশিন্নবা কায়বদগী ইরাং লাকখিবনি।

বি জে পিনা এন সি পিগী লুচিংবা অজিত পৱারগী মায়কৈদগী পার্টি অদুগী এম এল এশিংনা বি জে পিদা শৌগৎকনি হায়না থমখিবা ৱাফম অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা ষ্টেট অদুগী গভর্ণরনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ফদনবিসপু অমুক্কা হন্না সি এম, অজিত পৱারনা দেপ্যুতি সি এম ওইরে হায়না ৱাশক লৌহনখি। অদুবু বিস সেনা, এন সি পি অমসুং কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী সুপ্রিম কোর্টতা কেস অমা থাঙ্গৎলকখিবা অদুনা বি জে পিবু এসেমব্লীদা ফ্লোর টেষ্ট তৌ হায়না পীরকখিবা ৱারেপ অদু বি জে পিনা পাঙথোকপা ঙমখিদবদগী ফদনবিস অমসুং অজিত পৱার রিজাইন তৌরগা সিব সেনা-এন সি পি অমসুং কোংগ্রেসনা পুনশিন্নবা লৈঙাক অমা শেমদুনা হয়েং সিব সেনাগী উধব থারকরেনা চীফ মিনিষ্টর ওইবগী ৱাশক লৌগদৌরিবনি।

লৈবাক অসিদা ঈ-সিগরেট থিংনবা লোক সভানা বিল পাস তৌখ্রে, জে এন্দ কে রিজার্বেসন বিল ৱিদ্রো তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সি): লোক সভানা ঙসি লৈবাকসিদা ঈ-সিগরেট থিংনবগী বিল পাস তৌখ্রে। লোয়ননা জম্মু এন্দ কাশ্মির রিজার্বেসন বিল ৱিদ্রো তৌখ্রে।

য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর ওইরিবা হর্স বর্ধননা ঙসি লোক সভাদা ফোঙদোকখিবদা চহীসিগী সেপ্টেম্বর ১৮দা ওর্দিনান্স ওইনা থোকখিবা ‘দি প্রোহিবিসন ওফ ইলেক্ট্রোনিক সিগরেট (প্রদক্সন, মেন্যুফেকচর, ইম্পোর্ট, ট্রান্সপোর্ট, সেল, দিষ্ট্রিব্যুসন, ষ্টোরেজ এন্দ এটভর্টিজমেন্ট) ওর্দিনান্স’ ২০১৯ অদু বিল ওইনা তৌহনখিবনি।

হেল্থ মিনিষ্টর অদুনা লোক সভাদা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী তুংগী য়ুম্বু ওইহৌগদৌরিবা নহাশিংবু তোঙান-তোঙানবা কম্পেনিশিংনা অনৌবা ফেসন ওইনা ঈ সিগরেটকী মতাংদা প্রোমোসন পীরক্লিবা অদু থিংহৌবা চুম্মী হায়না ফোঙদোকখি।

লোক সভাদা ওপোজিসন পার্টিশিংনা ওর্দিনান্স অদুবু থিংনবা হোৎনরকখিবা অদু ঙসি ভোইস ভোটতা মায়থীদুনা বিল ওইনা পাস তৌখিবনি। হেল্থ মিনিষ্টর হর্স বর্ধননা বিল অদুগী তাংদা মখা তানা ফোঙদোরকপদা লৈবাক অসিদা হিদাক মনাগী পোথোকশিং পুথোকপদা লৈঙাক্লা মরিক চুম্না থিংবা ঙমদ্রিবা অদুনা ঈ সিগরেট শীজিন্নহনবগী লৌখৎলকপা থবক থৌরাংশিং অদুনা লৈবা অসিগী লৈঙাক্লা মপাঙ্গল শোল্লি হায়বা অদু অচুম্বা নত্তে হায়না ফোঙদোকখি।

ঈ সিগরেট পুথোক্লিবা তোঙান-তোঙানবা কম্পেনিশিংনা লৈবা অসিগী চহী নৌরিবা মীওই কয়াদা পোথোক অদু শীজিন্নবদা নুংঙাইবা ফাওই হায়বা এটভর্টিসমেন্ট তৌখিবা অদুনা নহা ওইরিবা মীওই কয়া অমা এদিক্সন ওইরকপা য়াইনা চিংনবা লৈবদগী থিংহৌনবা বিল অদু পাস তৌখিবনি হায়রি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতা ওপোজিসন পার্টিগী মায়কৈদগী ঈ সিগরেট থিংনবগী বিল অদু চাওনা মতেং পাঙদুনা অয়াবা পীখি। ওপোজিসন পার্টিগী ৱারোলশিং অদুগী মায়োক্তা লেপখিবা এম পি মশিং য়ামখিদে।

ইন্দিয়াগী হেল্থ দিপার্টমেন্টনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ঈ সিগরেটকী বিজিনেস অদু লোইশিলহন্নবগী লৌখৎলিবা অচৌবা থৌদাং অদুদা চাওনা মতেং পীখি। লৈবাক অসিদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা য়াবা চানবা; ওন্নবা পোৎলমশিং অথিংবা লৈতনা মীয়ামদা ফঙহল্লি। মসি থিংবা ঙমদ্রিঙৈ মনুং অসিদা ঈ-সিগরেটকী ৱাফম লাকপনা বিল অসিনা ঈ-সিগরেট থিংবা বিল পাস তৌখিবনি।

মরকসিদা লোক সভাগী মীফম অদুনা জম্মু এন্দ কাশ্মির রিজর্বেসন বিল ষ্টেট লৈঙাক্লা হান্না থল্লম্বা খুদোংচাবশিং অদু লৌথোকখিবগা লোয়ননা বিল অদু ৱিদ্রো তৌখিবনি।

লোক সভাগী মীফম অদুদা ত্রিণামুল কোংগ্রেস পার্টিগী মীরেপ ওইরিবা সোগাতা রোইনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা হান্না ষ্টেট অমা ওইনা লৈরম্বা শক্তম অদু য়ুনিয়ন টেরিটোরি অনী থোক্লা থুগাইখিবা হায়বসি কুপ্না নৈনফম থোকই হায়খি। লৈঙাক্লা জম্মু এন্দ কাশ্মির রিজর্বেসন বিল ৱিদ্রো তৌখিবা অদুগী মায়োক্তা কোংগ্রেস পার্টি অমসুং ওপোজিসনগী এম পিশিংনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি।

কার্টোসেট-৩গী কন্ট্রোল আই এস আর ওগী ট্রেকিং সেন্টরনা তৌবা ঙমখ্রে, প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

স্রিহরিকোটা, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সি): ইন্দিয়াগী ষ্টেট অন্ধ্র প্রদেশতা লৈবা স্রিহরিকোটাগী স্পেসপোর্টতগী ঙসি অয়ুক পুং ৯.২৮ চৎপদা লোঞ্চ তৌখিবা কার্টোসেট-৩ সেটলাইট অদুগী কন্ট্রোল অদু ইন্দিয়ান স্পেস এন্দ রিছার্স ওর্গনাইজেসন (আই এস আর ও)গী ট্রেকিং সেন্টরনা তৌবা ঙমখ্রে।

কার্টোসেট-৩ সেটলাইট মায় পাক্লা ইন্দিয়ানা লোঞ্চ তৌখিবা অদুদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মেদিনা আই এস আর ওবু মখোয়গী হোৎনবা লেপ্তুবা খোঙথাং অদুদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াগী স্পেস এজেন্সি অমা ওইরিবা আই এস আর ওগী মায়কৈদগী পীরকখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না ঙসি অয়ুক স্রিহরিকোটা স্পোসপোর্টতগী লোঞ্চ তৌখিবা কার্টোসেট-৩ সেটলাইট অদু মিনট ১৭কী মতুংদা মালেমগী লৈমাইদগী কিলোমিটর ৫০৯ লৈবা মফমগী ওর্বিটতা থম্বা ঙমখ্রে হায়না ফোঙদোরকখি।

কার্টোসেট-৩ খক্তা নত্তনা ইন্দিয়াগী পি এস এল ভি- সি ৪৭না পুখিবা অতোপ্পা য়ু এস এগী নেনো সেটলাইট ১৩সু মখোয় মখোয়গী তোঙান-তোঙানবা ওবিটতা থম্বা ঙমখ্রে হায়রি।

আই এস আর ওগী বেঙ্গালুরু সিটিদা লৈবা টেলিমিটরি ট্রেকিং এন্দ কম্মান্দ নেটৱাক্লা সেটলাই অদুবু কন্ট্রো তৌবা ঙমখিবনি। লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনি অসিগী মনুংদা কার্টোসেট-৩ সেটলাইট অদুনা মমাঙদা থমখিবা পান্দমশিং অদু চপ চানা থবক ওইনা পাঙথোকহনবা ঙল্লগনি হায়রি।

আই এস আর ওগী মকোক ওইরিবা কে সিবননা ফোঙদোকখিবদা কার্টোসেট-৩ সেটলাইট অসি ইন্দিয়াগী স্পেস এজেন্সি অসিনা হৌজিক ফাওবা শাদুনা সুন্দ্রংদা মশাগী ওইবা ওর্বিটতা থম্বা ঙমখিবা অদু এজেন্সি অসিগী ওইনদি খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ওবজার্বেসন সেটলাই অমনি হায়খি। খোঙথাং অসি মখাদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিনষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা আই এস আর ওগী টিমবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিদা পীবা মরু ওইবা অদু লিবরেল আর্টসকী মায়কৈদসু পীফম থোকই ঃ প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সি): ইন্দিয়াগী সিটি ন্যু দিল্লিদা ঙসি ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ন চেম্বর্স ওফ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা হায়র এদ্যুকেসন সমিতা ৱা ঙাংলদুনা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা সাইন্ট এন্দ টেক্নোলোজিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙলিবা অদুগুম্না লিবরেল আর্টস এদ্যুকেসনদসু মীৎয়েং চঙফম থোকই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগীদা নত্তনা মালেমগী ওইবা হোংলক্লিবা খোঙজেল অসিগা চুশিন্নবা লম্মেল অমা পুরক্নবগীদমক লিবরেল আর্টস এদ্যুকেসনদসু সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী লমদা থল্লিবা মীৎয়েং অদুগা মান্ননা পীফম থোকই হায়না ফোঙদোকখিবনি।

ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা য়ুনিভর্সিটিশিংনা ইন্দর দিসিপ্লিনরি ওইবা খোঙথাং কয়া পায়খৎপদা খুৎমাং চাওশিনবা ঙল্লে হায়নসু প্রসিদেন্ট কোবিন্দনা ফোঙদোকখি। তোঙান-তোঙানবা য়ুনিভর্সিটি অসিদা মেথমেটিক্স সবজেক্টকা ম্যুজিক এন্দ আর্টিফিসল ইন্টলিজেন্সকা লোয়ননা অনিমেল হজবেন্দ্রিগী কোর্সশিং পুনশিল্লকপা অসিদা নুংঙাইবা ফাওই।

তুংগী ওইবা খোঙথাংশিংদা লৌশিং, মেছিন ইন্টিলিজেন্স অমসুং দিজিটেলগী লম্বীনা মরু ওইদুনা লাক্লি। মসিদা লিবরেল আর্টস এদ্যুকেসনগী মায়কৈদসু অহেনবা মীৎয়েং চঙফম থোকই হায়না লৈবাক ৬৫দগী লাকপা দেলিগেটশিং অদুগী মমাঙদা ফোঙদোকখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা টেররগী থৌদোকশিং লৈতবগা মান্নরে ঃ দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সি): লোক সভাদা ঙসি দিফেন্স মিনিষ্টর রাজ নাথ সিংহনা ফোঙদোকখিবদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা টেররিজমগী থৌদোকশিং লৈতবগা মান্নরে হায়না থমখ্রে।

মফম অদুদা আর্মি, পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মির পুলিসকী মায়কৈদগী চুংশিন্নবা থবক পায়খৎতুনা টেররিজমগা লান্থেংনদুনা লাক্লি। জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা হৌখিবা চহী ৩০দগী ৩৫ ফাওবা টেররিজমগী থৌদোকশিং থোক্তুনা লাক্লি। অদুবু সিক্যুরিটিগী মায়কৈদগী লৌখৎলক্লিবা চেকশিন থৌরাংশিং অদুনা মরম ওইরগা টেররিজমগী থৌদোকশিং অদু লৈতবা মান্নরে হায়না পার্সনেলশিং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকপা ৱাহৈ লোক সভাদা থমখি।

দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা থমখিবা ৱাফম অদু কোংগ্রেসকী এম পি কে সুরেসনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা টেররিজমগী থৌদোক অমদা মীওই খরা হন্দক্তা শীখিবগী মতাংদা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুম ওইখি। ঙরাং জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টতা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমদা মীওই অনী শিখিবগা লোয়ননা ৭না অশোক অপন নংখিবনি।

হৌখিবা থাদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা থোকখিবা তোঙান-তোঙাবা টেররিজমগী থৌদোকশিংদা ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী শীন্মী ওইনা লাকখিবা মীওই ৫ হাৎখি। অদুগা ট্রক দ্রাইভর অনী অমসু হাৎখি।

কোংগ্রেসকী এম পি কে সুরেসনা হাউস অদুবু মরাল শীরদুনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা মহৌশাগুম্না তংদু লৈতবা হঞ্জিল্লক্লে হায়রিবা অদু অরানবনি হায়খি। দিফেন্স মিনিষ্টর রাজ নাথ সিংহগী পাউখুম অদুদা পেন্দবদগী লোক সভাগী ওপোজিসন মেম্বরশিংনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা তংদু লৈতাবা পুন্সি মরেল অমা মফম অদুগী মীয়ামদা পীফম থোকই হায়না তকশিনখি।

নীংশিংবা য়াই হৌখিবা চয়োলদা লৈবাক অসিগী হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা লোক সভাদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা তংদু লৈতাবা পুন্সি মরেল অমা ফংলে হায়না লাউথোকখি। মফম অদুদা লৈঙাক্কী ওফিসশিং অমদি মহৈ মশিংগী মফমশিং হান্নগুম্না থবক থৌরমশিং পায়খৎনখি। অদুবু ইন্টর্নেট কনেক্সনগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা অথিংবা লৈরিবা অদু অথুবা মতমদা লৌথোক্কদবনি হায়না ওপোজিসনগী মায়কৈদগী য়ানিংদবা ফোঙদোরকখি।

মহারাষ্ট্রদা ৱান্টেদ লাউথোকখ্রবা নাক্সল ৬ সরেন্দর তৌরকখ্রে

নাগপুর, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সি): মহারাষ্ট্রগী গাসিরোলি দিষ্ট্রিক্টতা লৈঙাক্লা ৱান্টেদ লাউথোকখ্রবা নাক্সল ৬ পুলিসতা সরেন্দর তৌরকখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

নাক্সল ৬ অসিগী মনুংদা নুপী ৫ য়াওখি। লুপা লাখ ৬.২৫কী রিৱার্দ লাউথোকখ্রবা কাসুনসুর দলামগী কম্মান্দর সন্দিপ এলিয়স মহারু ৱাদে (৩০) সরেন্দর তৌরকপদা য়াওখি।

পুলিসকী ৱাঙাংলোইনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা নাগপুরদগী কিলোমিটর ১৭০ চৎলগা লৈবা গার্চিরোলিদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক থোকহনখিবা, মী হাৎপগী কেস কয়া অমসুং পুলিসকা নোংমৈ কাপ্নগী থৌদোক কয়াদা চেন্নবা মীওই অমা ওইরি।

সন্দিপ্তা নত্তনা লুপা লাখ ৫দগীনা ৫.৫গী শেলগী মনা লাউকখ্রবা অতোপ্পা নাক্সলগী নুপী কাদর ৫সু য়াওরি। মখোয়শিং অদুদি মনিসা এলিয়াস গঙ্গাবাই কুরচামি (৩০), স্বারুপ্পা এলিয়স সরিতা অটলা (২৩), এগনিয়ালিয়াজ নিলা তুলভি (২৫), মমিতা এলিয়স মমতা পালো (২০), অমসুং তুলসি এলিয়স মাসে কোরামি (২৪) পুলিসতা সরেন্দর তৌরকখিবনি।

থবক্তগী পোথাবা মতম চহী ৬০দগী ৫৮দা লৈহনবগী ৱাফম লৈতে ঃ লৈঙাক

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সি): ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঙসি লোক সভাদা ফোঙদোকখিবদা লৈঙাক্কী থবক তৌবিরা মীওইশিংনা থবক্তগী পোথাবা মতম অদু চহী ৬০দগী ৫৮দা তেনশিনবগী খোঙথাং অমত্তা লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর পার্সনেল জিতেন্দ্র সিংহনা লোক সভাদা ঙসি অইবা চেরোল ওইনা পীখিবনি।

ফন্দামেন্টেল রুলস ৫৬ (জে), সেন্ট্রেল সিভিল সার্ভিস (পেন্সন) রুলস ১৯৭২গী রুল ৪৮ অমদি ওল ইন্দিয়া সার্ভিসেস (দেথ কম রিটিয়ারমেন্ট বেনিফিট) রুলস ১৯৫৮দা লৈরিবা প্রোভিজনশিং অদুনা মীয়ামগী শাফনবগীদমক থবক পোথাবগী মতম অদু ৬০দগী ৫৮দা হন্থবগী থবক থৌরমশিং লৌখৎপগী খোঙথাং অমত্তা লৈখিরোই হায়না ফোঙদোকখি।

মরক অসিদা লৈঙাক্লা থবক তৌরিবা ওফিসলশিং অদুবু থবক্তা কান্নবা পীরক্তুবা অমদি ইন্টিগ্রিটি ৱাৎলকপা মতমদা চহী শুদ্রিঙৈদা রিটিয়ারমেন্ট পীবগী হক অদুদি লৈ। হায়রিবা তাঞ্জা অদু লাকপা মতমদা অখন্নবা মীওই অদুদা থা ৩দগী তাদনা অইবা নোটিফিকেসন পীদুনা নত্রগা থা ৩গী তলব অমদি এলাৱেন্সশিং পীরগা থবক্তগী পোথাহনবা য়াবগী পাঙ্গলদি লৈ।



OFFICE OF THE RETURNING OFFICER
ELECTION TO THE DELEGATES & BOARD OF DIRECTORS
OF THE IMPHAL URBAN COOPERATIVE BANK LTD.
M.G. AVENUE, IMPHAL
O R D E R S
Imphal, the 26th November, 2019

No.1/RO/Election/IUCB/2017: Whereas, in pursuance of orders by the Registrar of Co-operative Societies, Manipur No. B-Coop/1/IUCB/Case/2019 dated the 22nd October, 2019 it is hereby informed to all concerned that the nomination papers of the Delegate of Board of Directors of Imphal Urban Co-operative Bank Ltd. M.G. Avenue, Imphal for the term 2017-2018 to 2021-2022 which were rejected due to non appearance of Candidates/Proposer/Seconder at the time of Scrutiny on 17/11/2018 and 19/11/2018 shall be rescrutinised on Thursday, the 5th Dec., 2019 at 11a.m. to 2p.m. at the office of the Imphal Urban Co-operative Bank Ltd. M.G. Avenue, Imphal.

Henceforth, the said rescrutiny shall be conducted as per Rule No. 26 of the Rules of Election of Delegates and Board of Directors of the Imphal Urban Co-operative Bank Ltd.

Sd/-Telem Pradwipkumar Singh
Returning Officer
Election to the Delegates and Board of the
Directors of the Imphal Urban Cooperative Bank Ltd.

HL-P/5376/28

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST

Ref :- Mutation Case No. 917/SDC/SWG of 2019

Parties :- 1) Hijam Santosh S/o Hijam Achou Singh of Thangmeiband Polem Leikai.
2) Hijam Pritam Singh S/o -do- of -do- ...Petitioners
- Vs -
(Late Pattadar) A. S Shimray Chon D/o Thichingchon of Shiroi
...Opposite Party

[illegible] / **NOTICE**

Sawombung, the 27th Nov. 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ঈ ঈ তহশিলগী খুল নং ৬৮ - নাপেট পাট্টা নম্বর... (অরিবা), ১৪৫ (অনৌবা), দাগ নম্বর ২১৮ মোট এরিয়া ০.৯৩ একর চাউবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার এ এস শিমরে চোন মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Sawombung, Imphal East

HL-P/5383/28

OUR SHINING STARS
1st Position Holder
HSLC 2019 (BOSEM)
BHUMIKA SHAMURAILATPAM
2nd Position Holder
HSLC 2019 (BOSEM)
SOPHIYA ASEM

[illegible]
SMART TUTORIAL CENTRE
Singjamei Super Market
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE 2019-2020
Class XII Sc
Start on 25-11-2019
Class X (BOSEM)
Start on 13-12-2019
NEW FOUNDATION COURSE 2020
Class IX, X, XII Sc
START ON 13-12-2019
SUBJECTS :
Maths, S.S., M/M, English, Sc, Optional
Maths, Phy, Chem, Bio, Eng.
Facilities : Van Service & Hostel (Separated - Boys & Girls) Contact No. 8730999192
For Detail :Visit Smart Tutorial
HL-P/4196/11sept.-8nov.(alt.)

[illegible]/EMPLOYMENT NEWS

Class X, XII অমদি Graduate পাস তৌরবা কেন্দিদেটশিংবু তোঙান-তোঙানবা Official Post Recruitment গীদমক দরখাষ্ট কৌজরি। ইম্ফাল অমদি অতোপ্পা Major District শিংগী ওইগদবনি। মসিদা মশাগী চহী ৩০গী মনুংদা লৈবা লাইরিক তম্লিবা মীওইশিংনসু Apply তৌবীবা য়াগনি।

No. of Vacancy : 40 Male and 36 Female
Income : 10,000/- to 35,000/- (PM)
Visiting Hr. : 12 noon to 3 pm.
Facilities : Fooding + Loding Available.

Apply তৌবীনীংবা মীওইশিংনা অথুবা মতমদা ইশাগী Biodata গা লোয়ননা লাকপীয়ু।

"NO DEPOSIT REQUIRED"
HL-P/5373/28,2,4
Contact : 8414834122 or 8787501815

[illegible] ADMISSION OPEN [illegible]
ENGLISH & RHYMES COURSES
CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
.HL-B/4529/25oct.to23nov
Contact No. ☎ 8974642764